কোওর্দিনেটিং কম্মিটি কৌনাথাবী মপাল কোঞ্জেং লৈকায় মোংশাঙ্গৈ ব্রাঞ্চ নাওরিয়া পাখংলাকপনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ৱার ওন দ্রগস য়াওনা তোঙান-তোঙানবা হীরমশিংগী মতাংদা চথখিবা কেম্পেয়ন

ময়াং ইম্ফাল থানা মনিং খুনৌদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দিষ্ট্রিক্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ এদ্যুকেসন এন্দ ট্রেনিং (দাইট) শাবীয়ু হায়দুনা ময়াং ইম্ফাল থানা মনিং খুনৌদা মীয়াম্না ৱাকৎ মীফম ফমখিবা

DIET Centre
লামায় ৫

ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) ওইনাম মন্দলগী মোহিলা মোর্চানা শীন্দুনা কৈনৌ থোংখোং কম্ম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা মন্দল অসিগী মহিলা মোর্চাগী ওইবা এগজিক্যুটিভ মীফম

BHARATIYA JANATA PARTY
OINAM MANDAL
EXECUTIVE MEETING
MAHILA MORCHA
লামায় ৫

মীতৈ/মৈতৈবু এস টিগী লিষ্টতা চলহন্নবা লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা রেকমেন্দেসন থাগদবনি হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা সেদ্যুল্ড ট্রাইব দিমান্দ কম্মিটি মণিপুরনা শীল্লগা তেরা কৈথেল আইদিয়েল ক্লবতা ৱাকৎ মীফম ফমখিবা

NNABA RECOMMENDATION THA
TRIBE DEMAND COMMITTEE, MANIPUR
লামায় ৪

‘লৈঙাক থুগায়নবা হোৎনবা মীহুৎ থাগৎলুবদগী নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সী হীরম কয়াদা শোক্খরে’

ইম্ফাল, মার্চ ২১ (ঐচএনএস):

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অসিবু থুগায়নবা হোৎনবা মীওই অমবু মীহুৎ ওইনা থাগৎলুবদগী নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সী হীরম কয়াদা শোক্খরে হায়না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ষ্টেট এগজিক্যুটিভ মেম্বরসু ওইরিবা এক্স-এম এল এ, আর কে আনন্দনা ফোঙদোকখ্রে।

এক্স-এম এল এ আর কে আনন্দগী মীৎয়েং মখাদা কোওর্দিনেটিং কম্মিটি কৌনাথাবী মপাল কোঞ্জেং লৈকায় মোংশাঙ্গৈ ব্রাঞ্চ, নাওরিয়া পাখংলাকপনা শীন্দুনা মোংশাঙ্গৈ কৌনাথাবী কম্ম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা ৱার ওন দ্রগস, ইনভেষ্টিগেসন ইনটু মিস এপ্রোপ্রিএসন ওফ পি দি এস আইটেম্স ওফ নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সী অমসুং দিভেলপমেন্ট ওফ নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সী হায়বা থীমদা সেভ মণিপুর, সেভ য়ুথ এন্দ ষ্টুদেন্টস, সেভ ফ্যুচর জেনরেসন হায়বা কেম্পেয়ন অমা পাঙথোকখ্রে।

কেম্পেয়ন অদুদা শরুক য়াখিবা এক্স-এম এল এ আর কে আনন্দনা হায়খি, নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সী অসি ঙসিদি লন্বী-থোং ফত্তবা, থক্লবা ঈশিং ফংদবা য়াওনা হীরম কয়াদা শোক্খুবা এ সী অমা ওইরে। হৌখিবা ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী মীখলদা এ সী অসিগী মীহুৎ ওইনা থাগৎলুরিবা মীশক অদু এসেমব্লীদা করিগুম্বা পর্ফোর্মেন্স অমত্তা পীবা ঙমখিদবনা নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীবু লৈবাক মীয়ামদা য়োম্থোক্লে। এসেমব্লীগী ফ্লোরদা এ সী অসিগী ওইবা নৎত্রগা লৈবাক্কী ওইবা ইস্যু অমত্তদা ৱা ঙাংখিদবগা লোয়ননা এম এল এ হায়বসি ফাগী তাহল্লে।

নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সী অসি ঙসিদি মীয়ামগী মীহুৎ লৈতবা, মপী-মপা পান্দবা এ সী অমা ওইনা লৈরে। চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা চথরিবা ৱার ওন দ্রগসকী কেম্পেয়ন, কোভিদ-১৯ থেংননবা থবক থৌরমশিংদা নাওরিয়া পাখংলাকপগী ওইনদি শোক্খুনা লৈরি। নফসাগী মখাদা নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী মীয়ামদা অহোংবা মমলদা ফংগদবা চেঙ কয়া নীংথিনা ফংহন্ননবা ঙসিগী কেম্পেয়ন অসি পাঙথোকপনি। অসিগুম্বা মখলগী কেম্পেয়ন অসি এ সী অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদসু পাঙথোক্লবা হোৎনগনি। ময়াই কাবা দ্রগ মুথৎনবা হোৎনবদা নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী মীয়াম্না অচৌবা থৌদাংসু লৌগনি। এ সীগী অসিগী লন্বী কয়া নীংথিনা শেন্বীদবদগী মীয়াম্না চৎথোক চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরে। এ সী অসিগী মফম কয়াদা মীয়াম্না থক্লবা অফবা ঈশিং নীংথিনা ফংদ্রি। মসিগীসু মথক্তা চাউখৎ থৌরাংগী ৱাফম কয়া এসেমব্লীদা পুখৎপীনবা মীহুৎ লৈত্রি।

লাক্লিবা এসেমব্লী মীখলদা নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীদগী মীয়াম্না অমুক হন্না মীহুৎ ওইনা থাগৎপীয়ু। বি জে পিগী হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিগী মখাদা মীয়ামগী মীহুৎ অমা ওইনা নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীবু হীরম কয়াদা চাউখৎপা পুরক্লবা হোৎনজগে। চীফ মিনিষ্টর অমদি ৱর্ক্স মিনিষ্টরনচিংবা কয়া উনদুনা হায়জবদগী এ সী অসিগী ফীভম শোক্লবা লন্বী কয়া শেম্ননবা হোৎনরি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

শুমাং লীলা ফেষ্টিভেলগী পীরিবা সেদ্যুলগী লীলা উৎতনা মহুৎ উৎলকপদা পেন্নদ্রে

নোমিতা খোংবান্তাবম

ইম্ফাল, মার্চ ২১ (ঐচ এন এস):

শুমাং লীলা ফেষ্টিভেলগী নুপা শুমাং লীলা উৎপা হৌরকপদা নীংথিজনা চথরক্লবসু লোইরকপদা ফজ দবা মশক লোয়নরকপগুম তৌরি। ফেষ্টিভেলগী পীরিবা সেদ্যুলগী মতুংইন্না উৎফম থোকপা লীলা উৎতনা মহুৎ উৎলকপদা লীলা য়েংলিবা মীয়ামদা পেন্নদবা কয়া ফাওনরক্লে।

মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সীলনা শীন্দুনা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা নুমীৎ খুদিংগী নুপা শুমাং লীলা য়েংনবগীদমক্তা লীলা অনীগী লুপা ১০০ পীদুনা টিকেট কল্লগা লীলা য়েংবা লাক্লিবা মোইরাংকম্পুদগী নিংথৌজম তোম্বীনা পাউচে অসিদা হায়খি, নুপা শুমাং লীলা ফেষ্টিভেল হায়বসি মীয়াম্না য়েংনিংবদগী শেল তীংবগী ৱাফম খন্দনা লীলাবু পামজবনা মরম ওইরগা লীলা য়েংবা লাক্লিবনি। লীলা ফজবা ফজ দবা হায়বা খায়দনা লীলা য়েংবসিগী নুংঙাইবা অদুগীদমক লাক্লিবনি। ফেষ্টিভেল হৌবদগী নুংঙাইনা য়েংদুনা লাক্লগা লোইরমদাইদা লীলা য়েংলিবশিংদা নুংঙাইতবা ফাওহল্লে। ফেষ্টিভেলগী ওইবা সেদ্যুলগী মতুংইন্না উৎকদৌরিবা লীলা অদুগী মতুংইন্নসু অয়াম্বনা লীলা য়েংবা লাকপা য়াওনরিবনি। সেদ্যুলগী মতুংইন্না টিকেট কল্লগা য়েংজবনি। অদুবু য়েংগনি হায়দুনা লাক্লিবা লীলা অদুগী মহুৎতা অতোপ্পা অমা উৎশিল্লকপা অসি নুংঙাইতে। লীলা তৌরমদাইদা শোয়রে হায়বসি হায়রোইদবনি। নোংমা ৱাংলিঙৈদা মাঙজৌননা লাউথোকপীগদবনি। মীয়ামগীদি হান্না পীরিবা সেদ্যুল অদুদা চৎপনি। মহুৎ উৎপগী মতৌ অসি নুংঙাইতে। অদুগা ফেষ্টিভেলগী ৱাহম্থোক য়াওদবা শুমাং লীলা ফেষ্টিভেল ওইনসু উরক্লে। অদুবু অহাংবা লীলাদা মেনশিনবীবদি ফৈ। মরুওইনা ঐখোয় অয়েংবনা পামজবদি মাগী মাগী লীলা লূপকী পীরিবা সেদ্যুলদা উৎতুনা য়েংবা ফংহনবদুনি। মসিদা লীলা ফজবা থিবদুনা তোঙানবা অমনি। মাগী মাগী তারিবা নুমীৎ অদুদি ঙাক্লা চৎহন্নিংই। চহী মাঙহনবা য়াদে হায়দুনা কাউন্সীলনা শীনবীবগীদি নুংঙাই। অদুবু অয়েংবা অমা ওইনা মহুৎ উৎলকপদা নুংঙাইতবা অমদি ফাওই হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।



ইবোয়াইমা খুমন

শক্লাইরবা লীলারোয় অমসুং দিরেক্টরসু ওইরিবা ইবোয়াইমা খুমননা হায়খি, কুমজা ২০২১গী ওইনা শুমাং লীলা কাউন্সীলনা শীন্দুনা পাঙথোক্লিবা ফেষ্টিভেল অসিদা নুপী লীলা লোইদুনা নুপা লীলাগী ফেষ্টিভেল চথরিবনি। কম্পিটিসন ওইনা অথোই-অহেন তান্নবমক নৎত্রবসু ফেষ্টিভেল ওইনা পাঙথোক্লি। মসিদা য়াম্না নুংঙাইনা পাঙথোরক্লগা লোইশিল্লমদাইদা ফেষ্টিভেল অসি মশক থিহনবগী ফীভম লাক্লে। কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা ঐখোয়গী কলচরনি হায়না লৈজরিবা শুমাং লীলা অসি মাঙখিগদ্রা হায়না ৱাজরম্বা অদুদি ওইখিদ্রে। হন্দক্কী ফেষ্টিভেল অসিনা লীলা তৌজরিবশিং হিংলগনি হায়বগী ৱাখল্লোন পীবীরিবনি। অদুবু ফেষ্টিভেল তৌগনি হায়দুনা লেপ্পরবা মতুংদা পাঙথোক্লিবনি। পেন্দমিক্লা মরম ওইরগা ৱাবদি লোইনা ৱানৈ। লীলারোয়শিংসু ৱারিবনি। অদুবু লৈত-লায়রা, চাবা-চাদবা থিদনা লীলা উৎতবা য়াদে হায়দুনা মাগী মাগী তাবা নুমীৎতা লীলা উৎনবা হোৎনজবা ঙাক্তনি। লোট্রারি ওৎতুনা তারিখ অসুক্তগী হৌবা হায়বসিদা মাগী মাগী সেদ্যুল পীদুনা লৈরবনি। মসিদা লীলা উৎতবা য়াওরকপা হায়বসি মীয়ামগীদি নীংবা কায়বা হায়বদু ওই। ঙসিসু নোংমাইজিং ওইবনা মীয়াম ঙাইহাক মতম কায়থোক্লগা লীলা য়েংবা লাক্লবসু য়াওরিবনি। অদুবু নীংবা কায়রগা হন্নখি। করিগীনো হায়রগা মানা মানা পামজরিবা লীলা অদু য়েংবা ফংদবা অমদি তৌগনি হায়রগা তৌদবগী নীংবা কায়বনি।

শুমাং লীলাবু নুংশিবীরিবা, শুমাং লীলাবু য়োকখৎপীরিবা লূপ খুদিংমক্তা য়াওগনি হায়রবদি য়াওবা ঙম্ননবা হোৎনগদবনি। ঙসিগী নীংবা কায়রবা মীয়াম অদুনা শুমাং লীলাবু নীংঙাই-মলাইদবা, মীয়াম্বু থওইদবা ওইনা লৌখিগদ্রা হায়বগী ৱাখল্লোন্দা লীলা তৌজবা অমা ওইনা পাখৎচবা পোকচৈ। লীলা য়াওরিবা লীলারোয়শিংগী খুদোংচাদবা, অনা-অয়েক, লৈখিদবা হায়বসিসু থোক্তুনা লাক্লবা ঙাক্তনি। মহুৎ-মরেল শীনবা লীলারোয় ৱাইনবা হায়বসি চৎনদুনা লাকই। য়ানরগদি লোইনা য়ানৈ, অদুগা অমরোমদসু শুমাং লীলা কাউন্সীলনা থৱায় য়াওনা শীনবসু মথৌ তাই। মীয়াম্না পেন্দবগী ফোঙদোক্লম্বা কয়াদুদা হায়জবনি। ফেষ্টিভেল ফজনা পাঙথোকপগী মায় পাক্লমদাইদা খুদি থিবরোমদা লাক্লে। অদুনা অসিগুম্বা মতৌ অসি মতুংদা থোক্তবা ওইসনু। পোলোইদা ফজদবা লাকপা হায়বসি লাইবক থীবা অমনি। ফজনা পাঙথোক্লম্লগা মশক মচু থোক্তবরোমদা চঙশিনবা অমদা লাক্লে। মসিদা নুংঙাইতবা পোকই। মীয়াম্না পাম্বসু পোলোই ফজবদুনি। মদুমক্তি ওইহনবা ঙমদ্রে হায়বসু য়াই। অদুনা অমুক হন্না অসিগুম্বা মতৌ অসি থোক্তনবা হোৎনমিন্নসি।

জিতেন খাইদেম

মতম অমদা চাথেকপী পার্টিগী শৈশকপা জিতেন খাইদেম হায়না শকখঙনখিবনা ফোঙদোরকপদা, নুপী শুমাং লীলা ফেষ্টিভেল উৎখ্রে। অদুবু চীন্দদি নুপী শৌগৎসি হায়রবসু লীলা য়েংবগী চাংদা য়েংলুরগদি শৌগৎতে হায়নিংই। নুপা লীলাদসু য়াম্না শোনবা ২/৩দি য়াওখি। মসিদা নুপী লীলাগী পামজবা অমা হায়জরবদা থিল্লিবা খোংলিবা, পেনাদা ওইরবসু ফম্বাক অসিদা নুপী ঙাক্তনা তৌহন্নিংই। মসিনা নুপীগী মতিক ময়াই হেনগৎহনবা ঙমগনি। অদুগা নুপা লীলা হায়রগসু থোরকপা মতমদা জুনিয়র লীলা মানবা থোরক্তবা নত্তে। অদুবু ফেষ্টিভেল অসিদা উৎনিংবনিনা থোরক্লিবনি। মসিদা দিরেক্টর অমসুং অইবশিংনসু হৌখিবা মতমশিংদা উৎখিবা লীলাশিং য়েংলগা হোৎনহন্নিংই। মমাঙদা মীনা তৌরিবদুদগী হেনগৎনা ফজবা ওইহন্নিংবগী পামজবা লৈ। ফর্ষ্ট, সেকেন্দ হায়বসিদি য়েংলিবশিং অসিনসু, জুরিনসু খনগনি। অদুমকপু মসিদা খরদি খেন্নবা লৈবা য়াই। লীলা অসি ফজবসু থিবসু লৈগনি। মসিদি ফেষ্টিভেল ওইবগীনি। অদুবু য়াম্না শোনবা থোকহন্নিংদবা লীলাসু য়াওরি। অদুনা লীলাসি তৌদ্রিঙৈদা অইবা অমসুং তাকপী-তম্বীবশিং হান্ননা লীলা তমদ্রিঙৈদা খঙমিন্নবা চঙই। লীলারোয়শিংদি অমরোমদা করিসু খঙজদনা চঙলকপা ঙাক্তনি। অদুনা ফজহন্ননবা হোৎনবদা খঙমিন্নবা চঙই।

হৌজিক লৈরিবা শুমাং লীলাগী শঙলেনগী সাউন্দ অসিসু নুংঙাইতে। মনিংদা ফম্বদদি তাবা ফংদে। অদুনা লীলা ফজরবসু সাউন্দ তাদ্রবনিনা খঙবা ঙমদ্রে। অদুগা ঈশৈ শকপা অমা ওইনা হায়জনিংবদি ঈশৈ ফজদবা শকহন্নিংদে। ফজবতা শকহন্নিংই। ফজদবা ঈশৈ শকপগী মহুৎতা শক্ত্রবসু য়াই। ঈশৈ য়াওদ্রদি য়াদে হায়বা লৈতে। দাইলোগ লীলাদা ফজনা শান্নবা, বেকগ্রাউন্দগী ম্যুজিক ফজবদা লীলা শান্নবনা ফজবা লীলা ওইবা ঙম্মী হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

মফম অনীদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২১ (ঐচএনএস):

মীতৈ/মৈতৈবু এস টিগী লিষ্টতা চলহন্নবা মণিপুর লৈঙাক্লা থেংথবা তৌদনা রেকমেন্দেসন থাগদবনি হায়দুনা চঙশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ঙসি নীনি চনবা নুমীৎতা সেদ্যুল্ড ট্রাইব দিমান্দ কম্মিটিনা তেরা কৈথেল আইদিয়েল ক্লব অমদি শিংজমৈ টেম্পররি মার্কেটতা এস ও পি ঙাক্লা ৱাকৎ মীফম ফমদুনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা সেদ্যুল্ড ট্রাইব দিমান্দ কম্মিটিগী স্পোক্সপর্সন এল লোকেন্দ্রোনা হায়খি, মীতৈ/মৈতৈনো এস টি লিষ্টতা চলহন্নবা মণিপুর লৈঙাক্লা অথুবদা রেকমেন্দেসন থাগদবনি। মণিপুরনা ইন্দিয়াদা পুল্লুরবা মতুং চহী ৭০ হেল্লবা ফাওবদা ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসন্না মীতৈ/মৈতৈ হায়বা ফুরুপ অসিগী রাইট মাঙহন্দুনা থন্বীরি। মসিমক নীংবা কায়নিংঙাইহিনি।

ৱর্ল্ড পোইত্রি দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২১ (ঐচএনএস):

সাহিত্য থৌপাং লূপ ইম্ফালনা শীন্দুনা মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি ৱর্ল্ড পোইত্রি দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা রোমি তখেল্লম্বমনা ইবা শৈরেং লাইরিক *ফাজিনখ্রবা লৈয়েং* অমসুং ৱাংলেন্বম নিরঞ্জনানা ইবা শৈরেং লাইরিক *য়েল্লম্মু নুংশিবা* হায়না মিংথোনবা লাইরিক অনী ফোঙখিবগা লোয়ননা গোপাল শর্ম্ম এৱার্দ ২০২১ শক্লাইরবা অইবা ক্ষেত্রি বিরদা খুৎশিন্নখ্রে। এৱার্দ অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ১৫, সোল অমসুং সাইটেসন য়াওরি।

থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসর পি গুনিন্দ্রোনা চীফ গেষ্ট অমসুং নহারোল সাহিত্য প্রেমি সমিটিগী প্রসিদেন্ট এল উপেন্দ্র প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। থৌরমসিগা মরী লৈননা পোইট অমসুং রাইটর কে রাধাকুমারনা চোর লৌদুনা মালেমগী শক্লাইরবা মীওই কয়ানা ইরম্বা মমিং লৈরবা শৈরেংশিং পাথোকপগী সেসন অমসু পাঙথোকখি।

কানিগা কোন্ননা মীওই ১ ফারে

ইম্ফাল, মার্চ ২১ (ঐচএনএস):

বিষ্ণুপুর কম্মান্দোগী টিম অমনা ঙরাং নুংথিল পুং ৩ লোম তাবা মতমদা ঙাংখা লৱাই মমাঙ লৈকায়গী পব্লিক গ্রাউন্দদগী নুপী অমা ময়াই কাবা চীঙ্গাক কানিগা কোন্ননা ফারে হায়রি।

ফারবা নুপী অদুগী মমিংনা ফাইরেম্বম ওংবী তোম্বীসনা (৪২), মপুরোইবা পি ঐচ কুমার কৌই। মহাক ঙাংখা লৱাই অৱাং লৈকায়দা লৈবনি। মঙোন্দগী কানি কে জি ৪.১০ রোম ফংলে হায়রি। ফারবা নুপী অদু মখা তাবা ৱাহং-পাউহং চথনবা মোইরাং পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোনা হৌখিবা নুমীৎ খরনি অসিদা তোঙান তোঙানবা মফমদা থিবা হুন্বা চথবদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক কয়া ফাগৎপগী থৌদোকসু লৈখ্রে হায়রি।

নম্বুল তুরেল লূ-নান্না থম্নবগী পান্দমদা দষ্টবিন য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২১ (ঐচএনএস):

নম্বুল তুরেল লূ-নান্না থম্নবগী পান্দমদা দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ অমসুং উরিপোক পঞ্চাই মনিং এন্দ লাইখুরেম্বী, নম্বুল রিভর দিভেলপমেন্ট কম্মিটিনা পুন্না শীল্লগা লৈকায় অনীদা দষ্টবিন য়েন্থোকখ্রে।

পঞ্চাই মনিংদা লৈবা এ টি এম ক্লবকী শঙলেনদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা আই এম সীগী ৱার্দ নম্বর ৬কী কোর্পোরেটর তৌরাংবম ইন্দ্রজিৎ এলিয়স বোই, উরিপোক পঞ্চাই মনিং এন্দ লাইখুরেম্বী নম্বুল রিভর দিভেলপমেন্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট সগোলশেম প্রেমাবতি, দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জগী দিভেলপমেন্ট ওফিসর টি ঐচ এলেক্স অমসুং সী আর ঈ দিগী সেক্রেটরি টি লেকেন্দ্রনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা কোর্পোরেটর তৌরাংবম ইন্দ্রজিৎনা হায়খি, নম্বুল তুরেল মপালদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা ৱার্দশিংগী মনুংদা ৱার্দনম্বর ৬ অসিসু অমনি। নম্বুল তুরেল কন্দবা য়াদে হায়বা পান্দমদা ৱার্দ অসিদা কম্মিটি শেমদুনা থবক পায়খৎপা হৌরে। ঙসি দষ্টবিন য়েন্থোক্লিবা সী আর ঈ দিদা মিং চল্লবশিংনি। অহানবগী ওইনা ঙসি উরিপোক পঞ্চাই মনিং অমসুং লাইখুরেম্বী হায়রিবা লৈকায় অনীসিদা হান্না পীজবনি। নম্বুল তুরেলবু লূ-নান্না থম্নবা হোৎনবদা ঐখোয় খুদিংমক্কী থৌদাং লৈ হায়নসু ফোঙদোকখি।

উরিপোক পঞ্চাই মনিং এন্দ লাইখুরেম্বী নম্বুল রিভর দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট সগোলশেম প্রেমাপতিনা হায়খি, সী আর ঈ দিদা রেজিষ্টর তৌরবা ইমুং অমদা দষ্টবিন ২/২ পীজবনি। নম্বুল তুরেলগী ঈশিং অসি মতম অমদা ঈরু-মায়থজবা অমদি ফিজু-ফিজাম তৌবদা শীজিন্নরকখিবনি। অদুবু ঙসিদি কা-হেন্না মোৎশিল্লক্লে। মরম অসিনা তঙাইফদনা তুরেল অসি কন্দবা য়ারক্ত্রে। ঙসি য়েন্থোক্লিবা দষ্টবিন অসিদা ফত্ত-হাওদিশিং হাপ্পুনা থল্লগা সী আর ঈ দিগী গাড়ীনা লাকপদা হাপখ্রগদি ফত্ত-হাওদি কয়া তুরেলদা হুন্দোক্লরোই। মসিনা তুরেলবু লূ-নান্না থম্বদা মতেং ওইরগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়নসু ফোঙদোকখি।

মুস্লিম স্পিরিচ্যুএল ফোরমনা কন্দেম তৌরক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ২১ (ঐচএনএস): নুমীৎ খরনিগী মমাঙদা য়ুপিদগী ৱাসিম রিসৱি কৌবা মীওই অমনা পুরানদা ভাইওলেন্স, টেররিজমগা মরী লৈনবা, শৌগৎপা ভর্স ২৬ য়াওই অমসুং ভর্সশিং অদু লৌথোক্কদবনি হায়খিবা অদু মুস্লিম স্পিরিচ্যুএল ফোরম মণিপুরনা অকন্নবা মওংদা কন্দেম তৌরক্লি।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউজী মীফম অমদা মুস্লিম স্পিরিচ্যুএল ফোরম মণিপুরগী স্পোক্সপর্সন মুফ্টে সলাতুর রহমননা হায়খি, কুরানদি অল্লাগী হোংবা য়াদ্রবা ৱাহৈশিংনি। তইবং মীনা ইবা ৱারোল নত্তে। এঞ্জেল গিবরেলগী খুত্থাংদা অল্লাগী ৱাহৈদুমক মুহমদনা মশাগী চহী ৪০ শুরকপদগী হৌরগা চহী ২৩ চুপ্পা পীবীরকখিবা নুংশিনবা অমদি ঈং-তপ্পগী মপাউনা থল্লবা লাইরিকনি। মুস্লিম বিলিয়ন কয়াগী সেন্টিমেন্ট শোকহল্লিবা ৱাসিম রিসৱি খুদক্তা চৈরাক পীয়ু। মহাক সেক্যুলরিজমগী মায়োক্তা লৈবা, ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসনবু শীংনবা মীনি। ইস্লামদা নত্তনা হিন্দুইজম, খৃষ্টিয়ানিতি, বুদ্ধিজম অমসুং লাইনিং পুম্নমক্তা থ্রেট অমা লাক্কনি। কুরানদা হ্যুমেনিটিগী মায়োক্তা লৈবা ৱাহৈ অমত্তা য়াওদে। হায়রিবা মীওই অসি করিগুম্বা ফোর্স অমনা ইনশিল্লগা মশাগী কান্নবা অমা ফংনবগী হায়রকপনি হায়বসি মহাক্লা মমাঙদা হায়খিবা ৱাফম খরনা খল্লি। মুস্লিমশিংগী সেন্টিমেন্ট য়েংবীরগা হায়রিবা মীওই অসি মতিক চাবা চৈরাক পীবীয়ু হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

বি জে পি খুন্দ্রাকপম মন্দলগী চহীগী পুন্না উনবা থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২১ (ঐচএনএস):

বি জে পি খুন্দ্রাকপম মন্দলনা শীন্দুনা মন্দল অসিগী চহীগী পুন্না উনবা থৌরম ঙসি পাঙ্গৈদা লৈবা কম্ম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর এস টিকেন্দ্রনা হায়খি, খুন্দ্রাকপম এ সীদা লৈরিবা ফীভমদা য়েংলুরবদি মীওই অহুমগী মনুংদা অনীদি বি জে পিনি। অদুনা বি জে পিগী মীওইশিংনা চুংশিন্নদুনা ভোট পীরবদি করিগী কারোইদৌরিবনো। মীয়াম্নসু ৱাখল তাবা, মীকপ থোকপা মতম ওইরে। খুন্দ্রাকপম এ সীদা লৈরিবা মীয়ামসি নোংশাগুম্বা ঙাক্তনি। অদুনা নোংশাগী মতিক ময়াই অদু ফুদোকপা চঙই। মীয়াম্না খনখিবা এম এল এ, মিনিষ্টরনি। মখোয়সি মীয়ামগী খুৎতা লৈবনি। চাউহনগে চাউহল্লোই হায়বসি মীয়ামদা লৈবনি। এম এল এ, মিনিষ্টর, চীফ মিনিষ্টর ওইরগা চাউরে খল্লিবসিগী চৎনবী লৈখ্রে। মখোয়বু খনবসু ঙম্মী, চাউহনবসু ঙম্মী, লৌথোকপসু ঙম্মী, করিমত্ত তৌহন্দবা ঙম্মী হায়বসি ঙসিগী তীল্লিবা মীয়াম্না তৌবীখ্রবরা। মীয়াম্না খল্লবা মতুংদা লৈঙাক পায়রিবনি। পোলিটিকেলগী ওইবদা খরা ঙাংনা, খরা চৈনা তৌরগা লোইশিনখিবগুম তৌই। মীয়ামগীদমক্তা লৈরিবা বি জে পি লৈঙাক অসি অমুক হন্না লৈহন্ননবা ভোট পীদ্রগা কনাদা ভোট পীগদৌরিবনো হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরম অসিবু শীল-লাংবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী মীদিয়া সেলগী কনভিনর অমসুং কিষান মোর্চাগী ভি পি ডা. কে এস ঐচ কালানা হায়খি, ঙসিগী থৌরম অসি খুন্দ্রাকপম এ সীদা লৈরিবা মীয়াম অমদি বি জে পিগী লৈরিবশিংগা পুন্না উনদুনা পার্টি অসিবু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্ননবা খন্ননৈনবনি। পোলিটিকেলগী ওইনা লাক্লিবা অহোংবশিং অসি ঐখোয়সু খঙবা চঙই। এ সী অসিদা লৈরিবা ফীভমশিং অসিদা অফবা অওনবা, চাউখৎপা পুরক্লবা হোৎনবদা ঐখোয় মশেল অমত্তা ওইনা পুনবা য়াম্নমক মরুওই। পুনমিন্নবা, উনবা হায়বসিনা বি জে পিগী ওইবা চাউখৎ থৌরাং কয়াসু উবা ঙমগনি। অদুনা বি জে পিগী ৱাখল্লোন কয়া অসি খঙননবা হোৎনসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা বি জে পি খুন্দ্রাকপম মন্দলগী প্রসিদেন্ট এম দেবরতন মৈতৈ, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট অমসুং এক্স-এম এল এ ডা. য়ু দেবেন, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট আর কে সোমোরজিৎ, বি জে পি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট এল কামিনি অমসুং মহিলা মোর্চাগী প্রসিদেন্ট এম নাচোম লৈমনা মথংশিংনা প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

‘চীফ মিনিষ্টরনা মীৎয়েং চঙবীদুনা ইভিক্সন তৌবীয়ু’

ইম্ফাল, মার্চ ২১ (ঐচএনএস):

তুরেল খোংনুংদা লৈবা কে এ কে এ এস এগী গ্রাউন্দদা অঙ্গনৱাদি সেন্টর শাজিল্লক্লিবা অসি অথুবা মতমদা মীৎয়েং চঙবীদুনা ইভিক্সন তৌবীয়ু হায়না কাইরং এন্দ খোমিদোক স্পোর্টস এসোসিএসন (কে এ কে এ এস এ) অমসুং কাইরং খোমিদোক খাবৈশোই য়ুথ এসোসিএসন্না তকশিল্লক্লি।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি নুংথিল পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা কাইরং খোমিদোক খাবৈশোই য়ুথ এসোসিএসনগী সেক্রেটরি য়ুনুশ অহমদনা হায়খি, কে এ কে এ এস এ গ্রাউন্দ অসি তুরেল খোংনুংদা লৈবা গ্রাউন্দ অমনি। চহী ২গী মমাঙদা লৈঙাক অসিনা তুরেল খোংনুংদা করিগুম্বা অমত্তা শাজিনবা য়াদে হায়না মসিগী অকোয়বদা শাজিল্লম্বা য়ুম-কৈ কয়া ইভিক্সন তৌখ্রবা মফম অমনি। হায়রিবা মফম অসিদা অঙ্গনৱাদি সেন্টর শাজিল্লকপা, কম্ম্যুনিটি হোল শানবা প্লান তৌরকপা অসিগী মতাংদা হৌখিবা জন্যুৱারী ২দা ঈরাং থোক্তুনা খৎন-চৈনরকপদগী অশোক-অপন কয়াসু য়াওখ্রে। মফম অসি গ্রাউন্দ ওইনা অদুমক থম্বীয়ু। মমাঙদা ইভিক্সন তৌবা মতমদা য়ুম অমখক্তা কলহৌই হায়রিবা য়ুম অসি কাইরংগী মেম্বর অজাদগী মনাওনুপাগী য়ুমনি। য়ুম অসি পঞ্চায়ট ঘড়নি হায়না বেন্নর নপশিল্লগা কলহৌবনি। কলহৌরিবা য়ুম অসি মতম খরা লৈরগা এন্টি দ্রগ ওফিস ওইখ্রে। অদুবু মী শিবা য়াওরকপদগী খোয়শাউনরবা মীয়াম্না ওফিস অসি থুগায়খ্রবা মতুংদা এস দল্লিয়ু আই সী হায়না চহী ৩০গী মমাঙদা লৈরম্বা ফঙ্কসন তৌদ্রবা ক্লব অসিগী বেন্নর নপশিল্লগা থমজিল্লকপনি। হায়রিবা ক্লব অসিগী মমিং অমুক নপশিল্লগা থমজিল্লক্লিবসি প্রধান অমসুং জিলা পরিষদনা নুমীৎ হুম্নীগী মনুংদা শেংদোকপীরকউ। পঞ্চায়টঘড়নি হায়না কলহৌরগা করম্না অমুক ক্লব ওন্থোকখিবনো। হীরমসিগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরনা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

মীফম পাঙথোক্তুনা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২১ (ঐচএনএস):

কবুই ধর্ম্ম সভা মণিপুরনা শীন্দুনা ওল্ড এসেমব্লী রোদতা লৈবা মণিপুর হিন্দী পরিষদকী হোলদা ধর্ম্ম লৈখা তাদনবা হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা ধর্ম্ম সংসদ পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা বিবেকানন্দ এৱার্দী থোকচোম শিবদত্তনা অথোইবা অতিথি অমসুং মণিপুর কলচরেল ইন্টিগ্রেসন কনফরেন্সকী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর এ ব্রজকুমার শর্ম্মনা সভাপতি ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা কবুই ধর্ম্ম সভা মণিপুরগী প্রসিদেন্ট দি এল কবুইনা হায়খি, হৌজিক্কী মতমদা লাইনিং লন্বী হায়বসি তপ্পা তপ্পা মাঙশিল্লকপগা লোয়ননা লৈখা তারকপগী ফীভম অমদা লাক্লে। মরম অসিনা লাইনিং লন্বীগী লমদা থবক তৌরিবা ওর্গনাইজেসনশিং পুনশিল্লগা লাইনিংগী লমদা খন্নরগদি লৈখা তাবগী ফীভম অমদা লাক্লিবা অসি কলহৌদুনা ঈং-তপ্পা পুরকপা ঙমগনি হায়বগী পান্দমদা মীফম অসি পাঙথোকপনি। মণিপুরগী শক্লাইরবা মীওইশিং অমসুং ৱাখল্লোন মান্নবা লাইনিংগী লমদা থবক তৌরিবা ওর্গনাইজেসনশিংগী ওইবা মীফমনি। মীফম অসিদা বিশ্ব হিন্দু পরিষদ মণিপুর, ধর্ম্ম রক্ষা সমিটি, বিবেকানন্দ কেন্দ্র ইনষ্টিট্যুট ওফ কলচরেল সেন্টর মণিপুর, মণিপুর সংস্কৃত একাদেমী, ধর্ম্ম প্রেমী সমিটি মণিপুর, মণিপুর কলচরেল ইন্টিগ্রেসন কনফরেন্স, কবুই কলচরেল রিসার্চ ইনষ্টিট্যুট, কবুই দিভেলপমেন্ট ভলন্টরি এসোসিএসন, কবুই ধর্ম্ম সভা মণিপুর, কষ্টুরভা গান্ধী কেন্দ্র, ধর্ম্ম জগরন মণিপুর, আর এস এস মণিপুর, স্পিরিচ্যুএল ষ্টদি সোসাইটি ইম্ফাল, মহাত্মা সেবা আশ্রম মণিপুর, ওল মণিপুর ধর্ম্ম রক্ষা সমিটি অমদি ওল মণিপুর ব্রহ্মন ওর্গনাইজেসন্ননচিংবসু মীফম অসিদা শরুক য়ারি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

মীফম অদুনা লৌখিবা ৱারেপশিংদি অহানবদা লাইনিং লন্বী লৈখা তাদনবা, লৈবাক ঈং-তপ্পবা ঙসিগী শংশক্লা অমত্তা ওইনা শৌগৎলে।

অনীশুবদা ফুরুপ অমদি লাইনিংগী মরমদা ৱারেংনচিংবা ইরকপদা করেম্নবা অমদি তাবদা নুংঙাইতবা ৱাহৈ-ৱাতা মরক মরক্তা য়াওবা থেংনৈ। মসি লৈবাক অসিদা ঈং-তপ্পা কায়রক্লবগী অচৌবা মচাক অমা ওই হায়না ঙসিগী শংশক্লা লৌই। মরম অদুনা ফুরুপ অমদি লাইনিংগা মরী লৈনবা ৱারেং ইবা তারবদি হীরম অদুদা মমুৎ তানা খঙনা অমদি য়াম্না চেকশিন্না ইবা নৎত্রগা ফোঙবনা চুমগনি। মদু নত্তনা ভাবনা শারগা অর্থ হনবা, ইবা তারবদি মরী লৈনবশিংদা য়াম্না শাথিনা অকায়বা অমসু ওইরকপসু য়াই। ফনবা তৌব্রা হায়ববু নাকল অমদা য়াম্না চাউনা মাঙবা ফাওবা ওইরকপা য়াই। মরম অদুনা অসিগুম্বশিং অসি থোক্তনবা ঙসিগী শংশক্লা অমত্তা ওইনা থেংনমিন্নবা। অহুমশুবদা ৱারেপশিং অসি থবক ওইনা পাঙথোকপা য়ানবা ধর্ম্ম ক্ষেত্র কৌবা প্লেটফোর্ম অমা শেম্বা, ধর্ম্ম সভা মণিপুরগী প্রসিদেন্ট দি এল কবুইবু ধর্ম্ম ক্ষেত্রগী কনভিনর ওইনা খল্লে। অরোইবদা ৱারেপশিং অসি মরী লৈনবশিংদা খঙহনবা হায়নসু লেপ্লখি।

OFFICE OF THE
YAIPHARE GROUP OF FINANCE
(Y.G. FINANCE)
H.O. CHINGMEIRONG NEAR EASTERN MOTOR
IMPHAL EAST – MANIPUR

Be a winner of Rs. 20 Lakhs
Lucky Draw Rs. 1 Lakh
Starting From 15th April, 2021
Monthly Rs. 4000/-
Lottery Cum Tender

- Urgently Wanted 50 Agents
- Agents will get monthly income Draw Timing : 2 :00 p.m.

For more details Plize Contact
Office timing 9:30 a.m to 4:00 p.m.
Contact No. 7642042874, 9362147856

Sd/-
Manager
Yaiphare Group of Finance

HL-B/6847/12/3-11/4 (alt)

NIT
NONGIN INSTITUTE OF TUTORIALS
HOPE FOR FUTURE
Under the Raja Dumbra Singh , Educational Complex
Purana Rajbari (Konung Mamang), Imphal East, Manipur

ADMISSION OPEN FOR REVISION COURSE

CLASS X & XII (SC.)(BOSEM,COHSEM)
CLASS STARTING - 3rd FEB, 2021

CLASS X & XII SC. (CBSE)
CLASS STARTING - 11th FEB, 2021

SPECIAL FOUNDATION COURSE FOR (IX & X) (BOSEM)
STARTING ON - 4th MARCH, 2021

* Only 30 students per batch.
* Class test will be conducted.
* Carrer Counselling for future study.
* Study Material will be provided.
* Self study hour under the guidance of expert daily.
* Transport & Hostel facility will be abailable.

Office Hour : 2:00 p.m. - 8:00 p.m. & Class Timing : 3:30 p.m. - 7:30 p.m.

RDS High School Konung Mamang (Purana Rajbari)
Contact No. - 8014221074 / 7005787091
HL-B/6719/21/1-26/2